**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-12-2024)**

**নুপীলাল (এল)ঃ** নুপীলাল নুমিৎ মনিপুরদা ঙসি মপুং ফানা পাঙথোকখি। ৮৫ শুবা নুপী লালগী মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্স ইম্ফাল অমসুং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজতা পাঙথোকখি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংদুনা নুপী লালগী থৌনা ফবী ইমাশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি। তুংদা, জি.পি. ৱিমেন্স কলেজকী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-ইং কুমজা ১৯০৪ অমসুং ১৯৩৯ দা বৃটিশ লোইলম লৈঙাকশিংনা চথখিবা অরানবশিংগী মায়োক্তা থৌনা ফরবী ইমাশিংনা খোঙজং চংশিনখিবা অদুবু নীংশিংদুনা চহি খুদিংগী থৌরম অসি পাঙথোক্কুনা লাক্লি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অসিগা লোয়ননা চহি তরেৎ খুন্তাকপদা মনিপুরি নুপীশিংনা থৌনা ফনবা লৌখিবা থৌদাংশিং নীংশিংফম থোকই।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী মীয়ামবু অশোয় অঙাম থোক্তনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হারমশিংদা নুপীশিংনা থৌনা ফনা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎনিংঙাইনি। নুপীশিংনা কালা সংস্কৃত্তি, শান্ন খোৎনবা, সমাজগী ওইবা থবক থৌরমশিং, শেন্মীৎলোন অমদি ইমুং মনুংগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নুপীশিংগী শু নোম্বা অমদি কৎথোকপা অসিবু খঙদুনা রাজ্য সরকারনা নুপীশিংগী ওইবা য়াইফ থৌরাং স্কিম ‘ইমা নোংথাংলৈমা য়াইফ তেংবাং স্কিম’ হৌদোক্কুনা চহি ৪০ গী মথক্তা লৈবা থবক ফংদবা নুপীশিংদা শেলগী মতেং ওইনা থাগী লুপা ৫০০-৫০০ পীরি।

শ্রী বিরেননা হায়-লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনদা নুপীশিংনা লৌরিবা

থৌদাং য়েংদুনা রাজ্য অসিগী জিলা অয়াম্বদা ইমা কৈথেলশিং শারে। মসিদা নত্তনা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংদা মতিক চাবা ত্রেন্নিং ফংননবা শেলগী তেংবাং পীরি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ইরাংগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা মতম চুপ্পগী ওইবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা কন্না হোৎনরি। অদুমওইনমক, মসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবা হায়বসি মতম চংগনি। মহাকা হায়-রাজ্য সরকারনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগা লোয়ননা লৈমাখোং আর্মি কেম্পতগী মাঙখিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী লংলা লংজিল খঙনবা কন্না হোৎনরি। রাজ্য অসিগী পুলিস ষ্টেসন তরুক্তা অমুক হন্না অফস্পা থমজিল্লকপগী মতাংদা শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য সরকারনা কেন্দ্র সরকারদা হায়রিবা পুলিস ষ্টেসনশিং অসিদগী অফস্পা লৌথোকপীনবা হায়জখ্রে। রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাদবা পুরকবা সরকারনা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামগী মতেং য়ামমক তঙাইফদে।

তুংদা, নুপী লাল মেমোরিএল এসোসিয়েসনগী দ্রামা পার্টিনা শান্নবা নুপী লাল দ্রামা উৎখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, দি.জি.পি, সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা নুপীলাল নীংশিং লমজেল অমসুং নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি।

অসামগী হোজাই য়াওনা মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা মফম কয়াদু ঙসি নুপী লাল নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি।

মনিপুর পিপলস পার্টিনা শিনদুনা নুমিৎ অসি দল অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। ওল মনিপুর নুপী মরুপ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনসু নুমি অসি পাঙথোকখি।

জিরিবাম জিলাদা নুপীলাল নুমিৎ ওবজার্ভেসন কমিতি জিরিবামনা শিন্দুনা জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ (জিমপাল)গী হোলদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

নুপী লাল নীংশিং থৌরম ইমা লৈমরেল অপুনবা লুপ অমসুং নুপী সমাজ চুরাচান্দপুরনা শিনদুনা ক্বাক্তা সেরিকলচর ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুটতা লৈবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসতা পাঙথোকখি।

নুপী লাল নুমিৎকা মরি লৈননা ককচিং কৈথেলদা লৈবা ইরাবত পার্কতা জনানেতা ইরাবত নীংশিং লুপ ককচিংনা শিনদুনা মৈরা কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অসামগী হোজাইদা নুপী লালগী মীতম অমা এম.এল.এ. অরুনকুমারনা মায়খুম হাংদোকখ্রে। পেত্রিওটিক্স রাইটরস ফোরম মনিপুর অমদি মনিপুরি ৱিমেন লিটরেলি কলচরেল ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা ঙসি অসামগী হোজাইগী গোবিন্দপুর মীতৈ খুঙ্গংদা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এনা মীতম অদু হাংদোকখিবনি।

**সেবর(এল)ঃ** লাইফ সেভরস মনিপুর, ষ্টেট লেবেল নুপী লাল নীংশিং লমজেল ওর্গনাইজিং কমিতি, ঐচ.দি.এফ.সি. বেঙ্ক, সাইয়োল ফাউন্দেসন, মনিপুর ষ্টেট স্কাউতস য়ুনিয়ন অমসুং আই.আর.সি.এস. ইম্ফাল ৱেষ্টনা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা শিংজমৈ সুপর মার্কেট কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৫০ হেনবনা ঈ দান তৌখি।

**ফিসরিজ (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী ফিসরিজ মন্ত্রালয়, এনিয়্যেমেল হজবেন্দরি এন্দ দেরিনা মখাদা রাজ্যগী ফিসরি বিভাগনা নেসনেল ফিসরিজ দিবলপমেন্ট বোর্ড-হায়দ্রবাদ পুন্না শিনদুনা ঙামীশিংগী ওইবা আউটরিটচ কেম্পেইন অমা লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ফিসরিজতা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, কেন্দ্র সরকারগী ফিসরিজ বিভাগনা ঙামীশিংগীদমক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিং স্কিম খঙহন্নবনি। থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী জিলাশিংদগী ঙামী ৮০ হেনবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী ফিসরিজ দাইরেক্তর-হৈস্নাম বালাকৃষ্ণ সিংহনা হায়-অতৈ রাজ্যশিংদগী ঙা পুশিল্লকপা হন্থহন্নবা অমসুং মসিদা শেনফম কয়া চাদিং তৌরিবা অসি হন্থহনবা দিমান্দ তৌরিবা অমসুং সপ্লাই তৌরিবগী মরক্তা লৈরিবা খেৎনবা অদু মেনখৎনবনি। মহাকা হায়-ঙা মরাং কায়না পুথোক বা হোৎনবদা ঙামীশিংনা কেন্দ্র সরকারনা পীথরিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** কামজোং জিলাগী চাদোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মনিপুর ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল একচেঞ্জ ফেষ্টিবেলগীদমক রাজ্যগী মনিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টনা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌনবগীদমক গাড়ি অনি থৌরাং তৌদুনা থমলে হায়রি।

হয়েং অমসুং হংচিৎ পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালদগী চাদোং অমসুং চাদোংদগী ইম্ফাল তমা বসশিং অসি চেনগনি। বস অসি মোইরাংখোমদা লৈবা এম.এস.টি. কমপ্লেক্সতগী অয়ুক পুং ৭ অমসুং পুং ৮ দা লমথাগনি।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা ফেষ্টিবেল অসি মনিপুর য়ুনাইটেদ বাই দাইভরসিতি হায়বা হীরমদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মনিপুরনা রাজ্যগী টুরিজম বিভাগকী মখাদা শিনবনি। হৌদোকপগী থৌরমদা হয়েং মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং শরুক য়াগনি।

**স্কুল (এল)ঃ** মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টেনগী ইগজামগী ফোর্ম ফিলঅপকী মতম লেপখ্রবসু বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী কর্ম্মচারিশিংনা পেন দাউন্দ ষ্ট্রাইক তৌখিবনা মহৈরোইশিংগী মমিং অমদি পোকপগী তাং শেমদোক শেমজিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়না ওল মনিপুর রিকোগনাইজ প্রাইবেট স্কুল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন ইম্ফাল-মনিপুরনা হায়রি।

চেরোল অমদা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরিনা হায়-বোর্ডকী ওফিস অসি মতম কুইনা থবক শুদনা লৈখ্রবদি মহৈরোইশিংদা নত্তনা লৈবাক অসিদা অমাঙবা অমা ওইরকপা য়াই। মরম অদুনা থোক্লিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়না এসোসিয়েসন অসিনা হায়রি।

**আরকেসিএস (এল)ঃ** আর.কে.সি.এস. বার্থ সেন্টিনারি সেলেব্রেসন কমিতি, সাহিত্য থৌপাং লুপ ইম্ফালনা শিনদুনা তোপ প্রোগ্রাম অমসুং শৈরেং পাবগী থৌরম অমা কৈশামথোং ইম্ফালদা লৈবা আর.কে.সি.এস. আর্ট গেলারিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি আর.কে.সি.এসকী চহি ১০০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

**এআর(এল)ঃ** স্বাচ ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী খেংজোই সব দিভিজনদা স্বাচ পাখৱারাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, লু-নান্না লৈনবা অমসুং অকোইবগী ফিভম লু-নান্না থমবগী মতাংদা খুঞ্জাশিংদা ভাব তাহনবনি।

কেম্পেইন অদুদা খুঞ্জা ১৬০ হেন্না শরুক য়াখি অমসুং মফম অদুদা উ চারাশিং থাখি।

**সংসদ ঃ** জোরাম পিপলস মুভমেন্ট (জেট.পি.এম) গী লোক সভা সদস্য-রিচার্দ ভালান মংহঙাইয়ানা লোক সভাদা ঙসি মনিপুরগী ইরাং লোয়শিন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে।

লোক সভাগী জিরো অৱারগী মতমদা মনিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎলদুনা মহাকা হায়-ইরাং অসিনা মীওই ২০০ হেন্না লৈখিদ্রে। বঙ্গলাদেস-ম্যান্মার অমসুং মনিপুরদগী লাঞ্জেন্নরকপা মীওই কয়া মিজোরামদা চংজফম লৌদুনা লৈরি।

কেন্দ্র সরকারনা সভাপতি ওইদুনা কাংলুপ অনিগী লুচিংবশিং ৱারী শান্নবা হোৎনগদবনি। ৱারী শান্নবা অদুদা রাস্ত্রপতি সাসনবু ওইগেরা, লুচিংবা শিনবা, সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন, নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পনচিংবগী ৱাফমশিং খন্নবা য়াই। মহাকা হায়-ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অমসুং শোক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংদা সরকারনা ক্ষেত্রিপুরোন পীনবা হোৎনগদবনি।

শ্রী রিচার্দনা হায়-করিগুম্বা ইরাং লেপহনদ্রবদি ঈশ্বরনা শেম্বীরবা তাংলবা পুন্সি কয়ামরুম মখা তানা মাঙখিদগে হায়বসি খঙবা ঙমদে। করিগীদমক্তা মীওইবা কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লিবনো। মসিবু লোয়শিন্নবা থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে।

**সংসদ ঃ** সরকারনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি-উজৱালা য়োজনা টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা ইং ২০২৩-২৪ দগী ২০২৫-২৬ ফাওবা চাক থোংনবা গ্যাসকী কন্নেক্সন কোতি অমা লাখ ৬০ পীখ্রে।

লোক সভাদা অইবা ৱারোল পীরদুনা কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাসকা রাজ্য মন্ত্রি-সুরেস গোপিনা হায়-সরকারনা ২০২৫-২৬ ফাওবদা ফংনবা থমখিবা পান্দম অদু চহি অসিগী জলাইদা য়ৌবা ঙমখ্রে। সরকারগী থৌশিল অসিনা লৈবাক অসিদা গ্যাসনা চাক থোংবগী মীশিং চাদা ৬২ হেনগৎলে। মহাকা হায়-উজৱালা স্কিম অসি ২০১৬ কী মে থাদা

হৌদোকখিবনি। অহানবা ফেসতা মীওই কোতি ৮ দা গ্যাসকী কন্নেক্সন পীনবা থমখিবা পান্দম অদু ইং ২০১৯ দগী সেপ্তেম্বরদা ফংবা ঙমখি।

**সংসদ ঃ** রাজ্য সভাগী মীফম চরাংনবা মরক্তা রাজ্য সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি। বিরোধি অমসুং ত্রেজরিগী মরক্তা অধানি গ্রুপ অমসুং আমেরিকাদা বেজ তৌবা জোর্স সোরোজ ফাউন্দেসনগী মতাংদা অৱাই অখুম তৌনখি।

সভাগী মীফম অহানবগী ওইনা য়েথোক্লুরবা মতুং নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা অমুক হন্না ফম্বদা সভাগী চেয়ারমেন-জগদিপ ধনকরনা সভাগী থবক থৌরমশিং মখা তানা চথনবা হোৎনবদা জনাতা দল (এস) কী সদস্য-ঐচ.বি. দেবেগোরানা চেয়ারমেনগী মথক্তা থাজদবগী মোসন থাংগৎপগীদমক বিরোধিবু হুন্দুনা ঙাংখি। বিরোধি দলশিংনা সভাগী মীফম চথবা য়াহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি। বিরোধি লুচিংবা মালিক অরজন খর্গেনা চেয়ারমেন-জগদিপ ধনকরবু মীচং মীখায় নাই হায়না মরাল শিখি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, খাঙেম্বম জেমসতগী--**

**সিএম (এল)ঃ** অহানবা ষ্টেট লেবেল এস.দি.পি.ও. চিংথাম অনন্দকুমার মেমোরিএল ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ৱাই.দি.সি.সি.এম.এল. অমসুং সাউর্থন ইম্ফাল কলচরেল ওর্গনাহজেসননা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাউবম মরক লৌরেম্বম লৈকাইগী সিকো ক্লবতা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লৈখিদ্রবা চিংথাম অনন্দকুমার লৈবাক অসিগীদমক মথৱায় কৎখিবা মীওইনি। মহাক মথৌ তৌরিঙৈদা নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা হাৎখিবনি। থৌরমদুগা মরী

লৈননা ইগজবিসন মেটচ অমসু পাঙথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

**ফুটবোলঃ** ছাতিসগরদা পাঙথোক্লিবা ২৯ শুবা সেনিয়ার ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাভাই ট্রোফি-২০২৪-২৫ দা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মনিপুরনা মহারাস্ত্রাবু পাঞ্জল ৬-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মনিপুরগী দাংমৈ গ্রেস, এন. প্রিয়াঙ্কা, ঐচ.সিলি অমদি এ. রোজানা গোলশিং অদু চনখিবনি। মনিপুরগী মথংগী মেটচ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা উরিষ্যাগা শান্নগনি।

অমরেমাদা, ৭৮ শুবা সন্তোস ট্রোফিগী ফাইনেল রাউন্দ থা অসিগী ১৪ দগী তেলঙ্গানাগী হায়দ্রবাদতা হৌরগনি। ফাইনেল রাউন্দ য়াওনবগীদমক মনিপুরগী সন্তোস ট্রোফি টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

**বাস্কেটবোল ঃ** ব্রমহাপুর নহাবম বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২৪ শুবা ষ্টেট সেনিয়ার বাস্কেটবোল চেম্পিনসিপ ফোর মেন এন্দ ৱিমেন-২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সি.দি.সি-শগোলবন্দনা সেন্ট জেবিয়ারবু পাঞ্জল ৭৮-৫৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এল.এম.ৱাই.ভি.এনা ৱাই.ও.এস.সিবু পাঞ্জল ৭৪-৩৮ দা থোইখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মনিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোকখি।

**ক্রিকেট ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই. ডব্লিয়ু.সি. পাৎশোইনা থাউ থাংমৈবন্দপু ৱিকেট তরুক্তা মায়থিবা পীখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন.সি.এ. নিংথৌখোংনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি-লালাবুংবু রন-১৬৮ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ

অমদা অল লিলোংনা কে.এ.এস.সি-খুমীদোকপু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখি।